ঈ-মীতৈময়েক বুক লোঞ্চ তৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরী লোল ইবগী হোংলক্লিবা মওং অসিগী মরমদা খন্নরবা মতুংদা দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন মণিপুরনা ঈ মীতৈ ময়েক বুক পোর্টেল dlpimanipur.gov.in চহী অসিগী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা লোঞ্চ তৌরগনি। পোর্টেল অসিদা ফেজ নাইনা মরী লৈনবা মণিপুরী লিটরেচর, গ্রামার, লিটরেরী ক্রিটিসিজম, হিষ্টোরি ওফ লিটরেচর, ফোক লোর, গেমস অমসুং কলচরনচিংবশিং অপলোদ তৌরগনি হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং অসাম য়ুনিভর্সিটি সিলচরদা বি এ, এম এ অমসুং এম পি এস সী অমদি য়ু পি এস সীগী মখাদা পাঙথোক্লিবা সিবিল সার্বিস এগজামিনেসনশিংদা শরুক য়ানিংবা মহৈরোয়শিংনা পোর্টেল অসিদগী শেল তিংদনা লাইরিকশিং অসি দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। ঈ রিদরগী মতেংনা লাইরিক কয়া পাবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি হায়না দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন মণিপুরগী দিরেক্টর ডা. এল মহাবিরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): সনা কোনুংগী থৌদাং পুরন্বী ইমা অমাইবী থোকচোম ওংবী ইবেতোম্বী এলিয়স তনৌ (৭০)না থা অসিগী ৯দা হৈরোক পার্ট-২ হৈতুপপোকপী লৈকায়দা লৈখিদবদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ইনিংথৌ সনাজাওবা অমদি সনা কোনুংগী ফম্ন ইবশিংনা মিনিট ১ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী খুয়াদা ঈংনা-চীক্লা লৈরুনবা তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিখি হায়রি।

মেদিকেল টেষ্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী কেজুয়েল বেসিসতা দ্রাইভর ৩৭ অমসুং কন্দক্টর ২৭ লৌনবগীদমক্তা সোর্ট লিষ্টেদ তৌখ্রবা কেন্দিদেট ২২ থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩দা পাঙথোক্কদবা মেদিকেল টেষ্টতা রিপোর্ট তৌরদবশিং অদু লাক্লিবা দিসেম্বর ২১দা লম্ফেলপাৎতা লৈবা মেদিকেল দিরেক্টোরেটতা অয়ুক্কী পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদবা অতোপ্পা রাউন্দগী মেদিকেল টেষ্টতা শরুক য়ারনবা খঙহল্লক্লি। সোর্ট লিষ্টেদ তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা ওফিস অসিদগী দিক্লারেসন ফোর্ম লৌনবসু ট্রান্সপোর্টকী ইন-চার্জ দিরেক্টর বি কে শর্ম্মনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা খঙহলক্লি।

ভী দি এফকী মিটিং

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ভী দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না শীন্দুনা মীফম অমা থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ১০ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কনি।

মীফম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী ভী দি এফশিং অমদি লূচিংবশিংনা শরুক য়ানবা ৱাফমসু খঙহল্লক্লি। মীফম অসিদা ভী দি এফকী ওনরেরিয়ম, ভী দি এফ লৌখিবা মতমদা শেমখিবা রুলস এন্দ রেগ্যুলেসনশিং শেমদোক্নবা, রেগ্যুলর পোষ্ট ওইহন্নবা গভর্ণমেন্টতা তকশিনবা অমদি ভী দি এফশিংগী তোঙানবা বট্টালিয়ন অমা থম্বা অসিনচিংবনি হায়রি।

ম্যুজিক এগজাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): শ্রীশ্রী বালমুকুন্দ দেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ ইম্ফাল সেন্টরদা ভাতখন্দে সঙ্গীত বিদ্যপিদ লখনৌগী প্রথমা, মধ্যমা অমদি বিসারত অমসুং অহানবা অমসুং অনীশুবা চহীগী এগজামিনেসন থাগদবা মহৈরোয়শিংনা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা এদমিট লৌনবা খঙহল্লি। থা অসিগী ১৮দগী এগজামিনেসন হৌগনি হায়রি।

এগজামদা অকায়বা পীবা য়ারোই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী ৱাথোক অসি অথুবদা য়াশিন্নবা পুরকপনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন লিলোং জোনেল কাউন্সীলনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১৫দগী হৌগদৌরিবা থার্দ সেমিষ্টরগী এগজামিনেসন অসিদা ৱাথোক অসিনা মরম ওইদুনা অয়েৎ-অপন পীবা য়ারোই। এগজামিনেসন অসি পাঙথোক্তবগী ফীভমদা লৈরে। নাকল অনীমক্লা পুন্না ফমিন্নরগা অথুবদা য়ানবা অমা পুরক্লবা আপিল তৌরক্লি। ৱাথোক অসি ঈংনা-চীক্লা লোইশিন্দ্রবদি লোগী ওইবা মতেং লৌগনি হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোরক্লি।

চন্দ্রখোং প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর লন্নাই ওফিস ওইরগনি : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): শাবা লোইশিল্লগা শঙ্গাদনা লৈরিবা চন্দ্রখোং প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টরগী শঙ অসি শঙ্গানবগী শেমজিন-শাজিনবদা শেল চঙখ্রবনিনা শঙ অসি চন্দ্রখোং ভীলেজ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী ওফিস ওইরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চন্দ্রখোং ভীলেজ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট হোদাম ললিতকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৈরোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মনুং চনবা চন্দ্রখোং প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টরগী শঙ অসি কুমজা ২০০৫ অদুৱাইদা শাবা লোইরগা শঙ্গানবা কুমজা ২০০৬কী মতমদা মেদিকেল দিপার্টমেন্টতা শঙ্গাবীনবা চন্দ্রখোং ভীলেজ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না চীফ মেদিকেল ওফিসার থৌবালদা হায়জরুবদা য়াবীরক্তুনা ওর্গনাইজেসন অসিনা শেল পুথোক্তুনা ফেন্সিং, হ্বাইট ৱাসিংনচিংবা তৌদুনা শঙ্গানবা মতম লেপ্পরবা মতুংদা মতম অদুগী হৈরোক এ সীগী এম এল এনা অথিংবা পীদুনা শঙ্গাদনা লৈরকখি।

শাংলবা চহী ১০ মুক অসি কনামত্তা য়েংশিনবীদবদগী শঙ অসিগী কোয়বদা উপাল-ৱাপাল, নাপি কয়া হৌজিন্দুনা লৈরম্বদু অনৌবা লৈঙাক লাকপসিদা ওর্গনাইজেসন অসিনা শঙ অসি শঙ্গানবা সী এম ও থৌবালদা তানরুবদা হৈরোক এ সীগী এম এল এ, মেদিকেল মিনিষ্টর অমসুং দি সী থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালনচিংবা পুন্না ফমিন্নবা তাঞ্জা অসিদা এ সী অসিগী এম এল এনা শঙ অসিগী অকায়-অতোয়, অৱাৎ-অপা, ফেন্সিংনচিংবা খাবদা ওর্গনাইজেসন্না মতেং পাংবীরগা দিপার্টমেন্টনা শঙ্গাখ্রো হায়রকপদগী হন্দকসু ওর্গনাইজেসন অসিগী ফন্দদগী লুপা ২০,০০০ হেন্না চঙদুনা শেমজিন-শাজিনবা লোইরগা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৬তা শঙ্গানবগীদমক্তা চেবাউ চৎখ্রবা মতুংদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৫গী অয়ুক্তা দি পি এম থৌবালগী মীওই অমনা ফোনগী খুথাংদা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী শঙ্গাবদা অথিংবা লৈরে, শঙ্গাবা য়াররোই হায়রকপদগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৬তা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরম্বা অদু তোকখি।

গভর্ণমেন্টকী ফন্দদগী লুপা কয়া কায়থোক্তুনা শাবা লোইখ্রবা চন্দ্রখোং প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর অসি শঙ্গাবদা হৈরোক এ সীদগী কারকপা এম এল এশিংনা অথিংবা পীরকপগী অরোনবা পোলিটিকেল এজেন্দা লৈরম্বা য়াই হায়না লৌবগা লোয়ননা অমুক হন্না শঙ্গাবগী ৱা হায়ররোই হায়না লেপ্লে হায়রি।

লাক্লিবা নুমিৎ ৪/৫নি অসিগী মনুংদা মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা শঙ অসি শঙ্গানবগী রেস্পোন্স পীবিরক্তৱবদি শঙ অসি শেমজিন-শাজিনবদা অনীরক হন্না ওর্গনাইজেসনগী ওইনা শেনফম কয়া চঙখ্রবনিনা শঙ অসি ওর্গনাইজেসনগী ওফিস ওইরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নুপী ভীক্তিমশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা কয়া পাউদমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল ফোর্টনাইট ওবজার্বেসন প্রোটেষ্টিং ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমনগা মরী লৈননা ৱিমন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ) অমসুং য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস (য়ু এফ পি ঐচ আর)না শীন্দুনা য়ুথ হোষ্টেল ইম্ফালদা ভীক্তিমশিংনা জষ্টিস ফংনবা খোঙজংদা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী মরমদা পাউদম্বগী থৌরম অমা থা অসিগী ১২দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমসুং সিবিল সোসাইটিশিং রোংমৈ লুফুৱাং, ওল ট্রাইব ৱিমন ওর্গনাইজেসন, য়ুনাইদেট এন জি ও মিসন মণিপুর, ৱিমন দিভলপমেন্ট ফোর জষ্টিস, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স সর্ভাইবেল ফোরম, কনফ্লিক ৱিদো ফোরম, উমাথেল ৱিমন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননচিংবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ভীক্তিম ২০ লোম হেনবনা মখোয়না মায়োক্লখিবা ভাইওলেন্সকী থবক থৌরমশিং অদু থেংনরকপগী পাউদমশিং তমখি। মখোয়না মায়োক্লখিবা ভাইওলেন্সকী থৌওংশিংগী মনুংদা দোমেষ্টিং ভাইওলেন্স, ফেক এনকাউন্টর, রেপ, হাৎপা, সেক্সুল হরাজমেন্টশিং য়াওরি। হায়রিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা অয়াম্বনা চহী কয়া চুপ্পা কোর্টতা পন্দুনা লৈরি। মদুগী মনুংদা মরুওইবা মরম খরদি লিগেলগী ওইবা ৱাখল লৌশিং ৱাৎপনা কেস করম্না ফাইল তৌগদগে খঙদনা অমসুং অতোপ্পা লিগেল প্রোসেসশিং খঙদবা, কোর্টকী হিয়ারিং নুমিত্তা জজ এবসেন্ট ওইবা, ভীক্তিম অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুং অরাপ্পা মফমদা চথোক্লখি, ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিদগী চার্জ সিট ফংদবা অমসুং কষ্টমরি লোগী খুথাংদা য়ানবা পুরকখিবা অসিনচিংবনি।

খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা নাৎ, লাইনিং অমসুং মফম কয়াদগী লাকপা নুপী কয়ানা পুন্না লেপ্তুনা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ভাইওলেন্স মখল খুদিংমক থেংনমিন্নদুনা নুপীশিংগী য়াইফবা খুন্নাই অমা তুংদা লৈনবা হোৎনবা হায়না য়ানখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা লৌখিবা রেকমেন্দেসনশিং অদুদা য়াওরিবশিংদি খায়নরবী নুপী অমদা চহী ১৮দগী ২৫ ফাওবা অঙাং অদুগীদমক্তা মেন্তেনেন্স সপ্পোর্ট পীবা, চহী ১৮ হায়বসি মপুং ফাবা ওইদ্রিবনা মখোয়বু খরা হেন্না শাংনা য়েংশিনবীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং ৱায়েল চথবদা থুজিন্নবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অমা লিংখৎহনবা, ফারেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি মণিপুরগী ওইনা লৈতবনা সেম্পলশিং কোলকাটা অমদি হায়দ্রবাদতা থাদুনা রিপোর্ট লৌনবগী প্রোসেস অসিনা থেংথহল্লি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ফারেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী রিপোর্ট রিলিজ তৌবা, কোর্টতা হিয়ারিং চথবা মতমদা থুজিন্নবা ট্রাইয়েলগী মতম য়ৈথোক্তবা, অফস্পা ১৯৫৮ রিপিল তৌবা, ষ্টেট লিগেল ওথোরিটিনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা এৱেরনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা, নেসনল লিগেল ওথোরিটি অমদি ষ্টেট লিগেল ওথোরিটিদা মখোয়গী থবক থৌরমশিং থুগৎহন্নবা তকশিনবা হায়বনচিংবা য়াওরি।

রেকমেন্দেসনশিং অসি অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা মেমোরেন্দম অমা ওইনা মরী লৈনবশিংদা পীখৎলগনি হায়রি।

খেল্লাখোং খোংজিন অপ্পর প্রাইমারী স্কুলগী ফীভম মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): খেল্লাখোং খোংজিন অপ্পর প্রাইমারী স্কুলগী গ্রান্ট অমসুং মেন্তিনেন্সকী শেনফম স্কুল অসিগী হেদমষ্টর ইন-চার্জনা হৈনথোকখ্রে হায়না মরাল শীরকপগা লোয়ননা হীরম অসিদা মরী লৈনবা জেদ ঈ ওনা য়েংশিনবীয়ু হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি এম দি অচৌবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খেল্লাখোং খোংজিন অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অসি লায়রবা মাইনোরিটি ফুরুপ্পা খুন্দাবা খুলশিং খেল্লাখোং, উচিৱা নাস্তাও অমদি হৈবোং মখোঙ মখাদা লৈবা অমখক্তা ঙাইরবা গভর্ণমেন্ট স্কুলনি। হায়রিবা স্কুল অসি লায়রবা, প্রাইভেট স্কুলশিংদা থাবা ঙমদবা অঙাংশিংগী মহৈশঙ অমা ওইরিবনি।

অদুবু হায়রিবা স্কুলশিং অসি থৌবাল জেদ ঈ ওগী মখাদা লৈবা স্কুল অসিগী হেদমষ্টর ইন-চার্জ এম দি অব্দুল নুরনা চহী ৪দা স্কুল অসিগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক্তা থাদরকপা গ্রান্ট অমদি মেন্টেনেন্সকী শেনফম হৈনথোকখিবনা স্কুল অসিদা ওজা অহুম লৈবদা অমত্তা পরম চুম্না স্কুলদা লাকখিদবনা লমদম অদুদা প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈ তম্বা অঙাং কয়াদি মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরে।

হীরম অসিগী মতাংদা স্কুল অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী কনভিনর অমদি লমদম অদুগী মীয়াম্না মিদিয়াগী থোঙদা এম দি অব্দুল নুর অমদি স্কুল অসিগী ষ্টাফশিংগী মথক্তা এক্সন লৌবীনবা খেল্লাখোং অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অসি মপুং ফানা মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বীবা স্কুল ওইহন্নবা ৱাকৎ কয়া তৌখ্রবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ঙসি ফাওবা তুমিন্না লৈশিনখিবা অসি য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন্না অথুবা মতমদা খেল্লাখোং খোংজিনগী হেদমষ্টর ইন-চার্জ এম দি অব্দুল নুরনা চহী ৪গী স্কুলগী গ্রান্ট অমসুং মেন্তিনেন্সকী শেনফম অমদি মহৈরোয়শিংদা পীজগদবা মিদ-দে-মিলগী চেঙ ফাওবা চাথোকখিবশিং অদু অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংদা রিকোভর তৌদুনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীয়ু। থৌবালগী জেদ ঈ ওনা হীরম অসিদা তুমিন্না লৈথোক্লবদি খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।

নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): লাইশ্রম মণি গৌড় সঙ্গীত একাদেমি থৌবাল ৱাঙ্খেম অমদি লাইশ্রম লৈরেঞ্জাও অমসুং ইমুং-মনুং অমদি মরী-মতাশিংগা খুৎশম্নরগা একাদেমি অসিগী ফাউন্দর গুরু মণিগী ২৯লকশুবা লৈখিদবগী নীংশিং কুমওন থৌরম থা অসিগী ১৭তা থৌবাল ৱাঙ্খেম ময়াই লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম বিজয়কুমারগী য়ুমদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা ৱাঙ্খেম এ সীগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, ককচীংতাবম সনাথোইবা নেসনল এৱার্দী, প্রিন্সিপাল হুইয়েন লাল্লোং থাং-তা কলচরেল এসোসিএসন্না গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং লাইশ্রম শ্যামকিশ্বর রিটয়ার্দ মিদিয়া ওফিসার, প্রসিদেন্ট লাইশ্রম মণি গৌড় সঙ্গীত একাদেমিনা প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়রি।

হাওরৈবীদসু নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): নুপী য়াইফ থৌশীল লূপ হাওরৈবী মখা লৈকায়না শীন্দুনা লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মনুং চন্না লৈবা হাওরৈবী মখা লৈকায়দা ঙরাং ৭৮শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নুপী য়াইফ থৌশীল লূপ হাওরৈবী মখা লৈকায়গী সেক্রেটরি নোংথোম্বম বিনোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা মণিপুরগী চেঙ মপান লমদা পুথোকখিবা য়ারোই হায়বা ঈহৌদা অৱা-অনা মায়োক্নখ্রবী ইমাশিংগী মফমদা মীয়াম্না ঈকায় খুম্নবা ওৎতুনা লৈ কৎখি।

থৌরম অদুগী মখাদা চথরকপা ওইনা নুপীলালগী মরমদা মৈরা পায়বী লূচিংবা নোংথোম্বম বিনোনা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া মীয়ামদা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা সোরাম শকয়াই লৈমা, অথোকপম বিলাসিনি অমদি নিংঙোম্বম ঙানবীনচিংবনা ময়াই তাঙবল লৌখি হায়রি।

সস্পেন্দ তৌখিবা এদভাইজর অমুক হন্না থৌ পুরগনি : এইমস

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): অপুনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাং লূপ (এইমস) মণিপুরনা হৌখিবা নবেম্বর ৮দা এইমসকী এদভাইজর লোংজম অবোধেবু মতম খরা সস্পেন্দ থম্লুবা অদু ইনক্কারি কম্মিটি অমনা থিগৎলুবদা লান্না উহন্নবা হোৎরম্বনি হায়বা খঙলকপদগী সস্পেন্দ ওর্দর অদু এগজিক্যুটিব কম্মিটিনা রিভোক তৌখ্রে।

এইমসকী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন নিকর্সন খুমনচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এদভাইজর অমা ওইবগী থৌ খুদিংমক লোংজম অবোধেনা পুবা হৌনবা এইমসকী এগজিক্যুটিব কম্মিটিনা অয়াবা পীরে।

অবোধে অমসুং এইমসকী মরক্তা মীওই খরনা লৌতুনখিবনি হায়বা অসিসু ইনক্কারি কম্মিটিনা খঙবা ঙল্লে। মখোয়গী মথক্তা এইমসনা চপ চাবা পড়া তম্বীনবা শেম-শারম্বনি। অদুবু ওফিসতা মতম চানা লাক্তুনা মশা মশানা মরাল য়াজবদগী ঙাকপীখ্রে হায়রি। লৈবাক মীয়াম খঙনা শেংদোক ৱারোলসু থমখ্রে।

অহিং-নুংথিল নাইদনা মীয়ামগী থবক তৌরিবা মহৈরোয় লূপ অমদা শীংনদুনা থবক তৌরক্লবদি মতুং তারকপদা এইমসনা চপ চানা পড়া তম্বীগনি। অরানবা মওংদা শেল তানবা মীওইশিং অসিনা অসিগুম্বা ফত্তবা থবক থৌরমশিং অসি থাদোকপনা অফবা ওইগনি হায়না এইমসনা চেকশিন ৱারোল থম্লক্লি।

মীয়ামগীদমক্তা থবক তৌরিবা, মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক কথোক্লবা মীওই অমবু মীয়াম অমদি মহৈরোয় খুন্নাইগী মাঙদা ঈকায় পীনবা হোৎনরিবশিং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীদনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

থৌদাম লৈশাংথেম হায় স্কুল মুখৎনবা শিনগনু : এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): থৌদাম লৈশাংথেম হায় স্কুলগী চয়েৎনবশিং এমসু থৌবালনা থিগৎলে। মরম চাদনা য়েৎনরিবা অসিনা মরম ওইরগা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিং নে-না তানা মহৈ তম্বা অমদি তাকপীবা ঙমদ্রে অমসুং অথুবা মতমদা শংদাইনদবা তারগদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি বিষ্ণু কুমারী য়ুম্নামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অফবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা লৈরিবা এমসুনা থৌদাম লৈশাংথেম হায় স্কুলগী চয়েৎনরিবা অসিগী মতাংদা থিগৎলুবদা মরম চাদনা স্কুল অসি মুখৎনবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরক্লি। বোর্দকী এগজামিনেসন্দা মহৈরোয় ২৪ মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা স্কুল অসিদা মরাল কয়া পীশিন্দুনা স্কুল অসি মুখৎনবা হোৎনবনি হায়না মরাল শীরি। ৱারোইশিন পুরক্লবা হন্না হন্না হোৎনবদা উশিৎ থৌওইদবগী মওংদা নাথৈদুনা লাক্লি হায়না মরাল শীরক্লি। মহৈরোয়শিংদা মখা তানা চৈথেং পীদনবা অমদি মহৈ-মশিন তম্বদা অয়েৎ-অপন পীদনবা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মখা তানা অয়েৎ-অপন পীরক্লবদি এমসু থৌবালনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। মদুদা থোরকপা অফ ফত্তগী থৌদাং মশানা পুজগদবনি হায়রি।

অতৈ তেংবাঙলিবা মীওই অমত্তনা হীরম অসিদা মখা তানা মতেং পাংবীগনু। হীরম অসিগী মতাংদা এমসুনা মমাঙদা চেরোল কয়া থোক্তুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে। হায়রিবা স্কুল অসি কুমজা ১৯৬৩দা ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা হাংদোক্তুনা লৈঙাক্তগী কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবর ১১দা গ্রান্ট ফংদুনা ওজা মরি এল দি সী অমা পুন্না পোষ্ট মঙা গভর্ণমেন্টনা এপ্রুভ তৌখি।

কুমজা ২০০৫দগী নর্জরিদগী ক্লাস ফাইব ফাওবা হাপচিনখি। স্কুল অসিগী ওইনা এপ্রুভ অমসুং নন-এপ্রুভ ৱিথ দোনেসন অমসুং কন্ট্রেক্ট হায়না কেটিগরি অহুম থোক্লা খাইদোকখ্রবা স্কুল অসি কুমজা ২০১৬কী নবেম্বর ২৮দা হান্নগী এপ্রুভ তৌরবা ষ্টাফ অনীগা পুন্না ওজা তরেৎ গভর্ণমেন্টনা এপ্রুভ তৌরকখি হায়রি।

এপ্রুভ তৌবদা য়াওহৌদবা ওজা তরুক্তা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লাখ ৩ পীদুনা য়াশিন্নখি অমসুং য়ান-চেরোল অমসুং ইনখি হায়রি। য়ান-চেরোল অদুনা শেল অদু পীনরগে, মখা তাবা কমপ্লেন্ট অমত্তা তৌররোই। লেফট আউট ওইরবা ওজাশিংগা স্কুল অসিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদ্রে হায়না য়ানখি হায়রি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২দা এদেদ স্কুলশিংগী ওজাশিংদা এপ্রুভ তৌবগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অমা থোকখি অমসুং স্কুল অসিসু লৈঙাক্কী স্কুল ওইনা লৌখৎপদা য়াওরকখি। অদুবু হীরম অমত্তদা মরী লৈনদ্রে হায়না য়ানখিবা ওজা তরুক্কী মনুংদগী ওজা অমনা কোর্টতা ৱাকৎখি।

য়েৎনরিবা অসিগা মরী লৈননা ৱাখল তামিন্ননবা এমসু থৌবাল ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মখা তানা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বদা অয়েৎ-অপন পীদবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

য়ু এম এ পি ওনা স্কুলশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ মীতৈ এন্দ পাঙল ওর্গনাইজেসন (য়ু এম ও পি ও) মণিপুরনা থৌবাল জেদ ঈ ও জোন-থ্রিগী মনুং চনবা ওইনাম হায় স্কুল য়েংশিল্লুবা মতমদা স্কুল অসিগী ওজা মশীং য়াম্না ৱাৎলম্লে।

য়ুনাইটেদ মীতৈ এন্দ পাঙল ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম জেমস মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ক্লাস টেনগী ওজাশিং থমদনা থৌবাল জেদ ঈ ওনা স্কুল অমা করম্না চলাইরিবনো হায়না হংলক্লি। জেদ ঈ ও থৌবালনা অথুবদা ৱাৎলিবা ওজাশিং থারকউ নৎত্রবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী জেদ ঈ ও জোন-ৱানগী মনুং চনবা পাঙল সিফাই হায় স্কুল অমসুং পাওবিতেক মনিং প্রাইমারী স্কুলদা য়েংশিল্লুবদা প্রাইমারী স্কুল অসিগী ফেন্সিং/ৱাল অমদি স্কুলগী কুপ্লিবা টিন মওং মরিল তাদনা লৈরম্লে। অথুবদা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টরনা স্কুল অসিগী অৱাৎ-অপাশিং শেমগৎ-শাগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR:IMPHAL

NOTICE

Dated, the 13th December, 2017

No.MU/3-16/TK/Adm/Aca/12/860 Applications on prescribed form are invited for admission into One Year Certificate Course in Korean Language for the academic session 2017-18.

Eligibility:

Candidates who have passed Graduation (Arts/Science/Commerce/Engineering/Agriculture/Medicine/Law/Pharmacy) Examination of the Manipur University or its equivalent examination from a recognized University with any subject combination are eligible to apply.

Prescribed application forms will be available in the Cash Counter of the University w.e.f. 15-12-2017 on payment of Rs. 100/- (Rupees one hundred only) in cash counter upto 2.00 p.m. on all working days.

Application forms can also be downloaded from the Manipur University website www.manipuruniv.ac.in In such case the application has to enclose a bank draft of Rs. 100/- in favour of the Registrar, Manipur University payable at SBI, MU Campus Branch (Code No. 5320).

Applications complete in all respects will be received by the Office of the Department of Foreign Language, Manipur University upto the 28-12-2017 during office hours on all working days.

Sd/- **David K. Zote**
Joint Registrar

HL-B/4073/14

Government of Manipur
Rural Engineering Department
Manipur State Rural Roads Development Agency (MSRRDA)
(Department of RD & PR, Govt. of Manipur)
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC: Imphal, Manipur

N O T I C E

Dated, Imphal the 13th December, 2017

No.5/16/2017-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI (8-I, 2017-18)/730: It is hereby informed to all the concerned that the last date of bid submission of NIT of even No. dated 31st Oct., 2017 is hereby postponed till **17.00 Hrs of 18th Dec., 2017** and the opening of technical bids shall be on **19th Dec., 2017 at 11:00 Hrs** at the Conference Hall of RED/MSRRDA.

Sd/- **Th. Nandakishore Singh**
Chief Engineer, RED/MSRRDA

HL-B/4076/14&15

OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE
ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS
OF THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD
M.G.AVENUE, IMPHAL.

NOTIFICATION

Imphal, the 13th December 2017

No. 1/RO/Election /IUCB/2017: In continuation of this Office Notification of even No. dated 28th November 2017, it is further notified that the undernoted programme for Election of Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd will be changed as under due to extension of scrutiny time programme.

1.	Publication of valid/invalid Nomination Papers in the notice Board	-	24-12-2017(3.00 p.m.)
2.	Withdrawal of Nomination Papers, if any	-	26-12-2017(11.00 a.m to 4.00 p.m.)
3.	Publication of eligible candidates	-	29-12-2017

(T.Pradwipkumar Singh)
Returning Officer
Election to the Delegates and Board of
Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd

HL-B/4075/14